**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-06-2026)**

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক ভারত্তা দিতেক্তের লৈঙাক্কী মফম লৈতে।

কুমজা ১৯৭৫ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা ভারত পুম্বদা ইম্মরজেন্সি লাউথোকখিবা নুমিৎ অদুবু নীংশিংদুনা ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তগী লৈবা থম্বাল শঙলেনদা ঙসি পাঙথোকখিবা কন্সটিট্যুসন মর্দর ডেগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মতম অদুদা সাসন পায়খিবা কংগ্রেসনা তৌখিবা অচৌবা অশোয়বা অদু ভারতকী মীয়ামনা তপা তপা খঙল্লক্লবা মতুংদা বি.জে.পিদা লৈবাক সাসন তৌননবা শক্তি শিন্নরকপনি। মতম অদুদা কংগ্রেসকী মায়োক্তা লৈখিবা মীওই খুদিংমক ফাদুনা জেলদা থমখি।

মহাকা হায়-রাস্ত্রপতিগী সাসন মতুংদা লাক্লিবা মহাক্কী লৈঙাকা রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী লমশিংদা তপা তপা শান্তি পুরকপা ঙম্লে। কাংলুপ কয়ানা খুদামিন্নরিবা জিরিবামদসু শান্তি হনজিল্লক্লে। জিলা অসিদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা অচৌবা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎনবা থৌরাং তৌরি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়-ভারতকী সংবিধাননা লৈবাক অসিগী নাগরিকশিংদা পীরিবা তোঙান তোঙানবা হকশিং অসিগীদমক মালেমগী মীয়ামনা ভারতপু থাগৎনরি। ইমর্জেন্সিগা মতম অদুদা গনতন্ত্রবু হিংহন্দবা য়াদে হায়না লেপখিবা লুচিংবশিংবু মতম অদুগী সরকারনা ফাদুনা দন্দি পীখি। অদুবু, ঙসিদি মতম অদুদা দন্দি ফংখিবা থোইদোক হেন্দোকপা মগুনশিং লৈবা লুচিংবশিং অদুগী ৱাখল্লোনদা মীয়ামনা থাজদুনা বি.জে.পিদা শক্তি শিন্নরক্লে।

থৌরম অদুদা বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং অমসুং

করিয়াকরতাশিং শরুক য়াখি।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা মখোয়গী য়াইফ থৌরাংশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি অনাল ৱিমেন য়ুনিয়ন-চকপিকারোং, অনালোন চীফ এসোসিয়েসন অমসুং অনাল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

উন্নবা অদুদা চকপিকারোং এরিয়াদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। সরকারনা কুপা য়েংশিল্লবা মতুংদা মফম অদুগী মীয়ামগীদমক তঙাইফদবা মথৌ তাবা থবকশিং শোয়দনা পায়খৎকনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা থাজবা পীখি।

নাগা ভিলেজ হেদমেন এসোসিয়েসন-সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মীহুৎশিংগসু মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নখি। উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা সেনাপতি জিলাদা লৈরিবা মীয়ামগী হিংনবগী থাক ৱাংখৎহন্নবা সরকারগী মায়কৈদগী মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎকনি হায়না থাজবা পীখি।

অমরোমদা, হান্নগী এম.এল.এ. ৱাই. অন্তাস খাননা লুচিংবা য়ুনাইটেদ মৈতৈ পাঙল কমিতিগী মীহুৎ কাংবু অমগসু মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নদুনা মৈতৈ পাঙলশিংগী য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎনবগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

**দ্রগ (এল)ঃ** তরুকশুবা ইন্দিয়া রিজার্ব বটালিয়ন অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেবেল নসা মুক্তা ভারত অভিয়ান কমিতি-ইম্ফাল ইষ্টনা শিনদুনা দ্রগ এব্যুস অমদি ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী মায়োক্তা এৱারনেস প্রোগ্রাম ঙসি খোমীদোক্তা লৈবা হন্দ্রেদ ফ্লৱার হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখি। নসা মুক্তা ভারত অভিয়ান-ভিক্সিত ভারত-কি-পেহচান হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৬ শুবা

আই.আর.বিগী কম্মান্দেন্ট-ডা: এস. ইবোমচা সিংহ্ শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা ময়াই কাবা নিশানা মীয়ামদা শোকহনবা অমদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক শিজিন্নদবা খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক্কী অচৌবা দায়ত্ব লৈ হায়বা অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ভারত্তগী দ্রগ মরু ফংনা মুথৎপদা ইশা ইশাগী দায়ত্ব লৌবা হায়না থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ৱাশকমীন্নখি।

দ্রগ এব্যুস এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী পোষ্ট কেম্পেইন য়াওনা মীয়ামগী রেল্লি অমা খুরাই হৈক্রু মখোং ফাওবা চৎতুনা থৌরম অদু লোয়শিনখি।

অমরোমদা, মোইরাং পুলিস ষ্টেসননা শিনদুনা দ্রগ ফ্রি ইন্দিয়া এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি শেন্দ্রাদা পাঙথোকখ্রে।

ইন্টরনেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ময়াই কাবা নিশানা মীয়ামদা অমদি খুন্নাই অসিদা শোকহল্লিবশিংগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিনদুনা দ্রগ লান্না শিজিন্নবা অমসুং আইন কায়না লল্লোনবগী মালেমগী নমিৎ পালনগা মরী লৈননা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**লম্বী (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী শান্তি খুনৌদা চীং নিংখায়বদগী চৎথোক চৎশিন য়াদনা লৈরম্বা অদু নৌনা শেমজিনবদগী লম্বী চৎথোক চৎশিন য়ারে।

লম্বী অদুদা অহাংবা ত্রকশিং অমসুং লাইট ভেহিকলশিং লান্দুনা চৎপা য়ারে।

**চহি ১২ (এল)ঃ** কেন্দ্রদা এন.দি.এ সরকারনা সাসন পায়রকপা চহি ১২ শুরকপগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুনা ঙসি **‘পি.এম. দিভাইন্দ’** হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা হৌজিক নুমিদাং পুং ৭

মিনিত ৫০ দা শঙাই চেন্নেলদা শন্দোক্কনি।

মসিদা, রাজ্যগী প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর-ডা: আর.কে. রাধেসনাগা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুগী দেক্স ইদিটর-ওক্রম উমাদিনিগা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শাবগী থৌরম তাবা ফংবিগনি। থৌরম অসি হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ মিনিট ১৫ দা কংলা চেন্নেলদা অমুক হন্না শন্দোক্কনি।

**পিআইবি (এল) ঃ** রাজ্য সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি.আর.পি.আর) গী দিরেক্তর-ডা: টি.ঐচ. চরনজিৎনা হায়রি-সরকারনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী কান্নবা মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনবদা মিদিয়াগী থৌদাং চাউই।

কেন্দ্রদা চহি ১২ গী লৈঙাক সাসন হায়বা হিরমদা প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (পি.আই.বি) রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী ওল্ড লম্বুলেন্দদা লৈবা হোটেল ইমোলেসতা পাঙথোকখিবা মিদিয়া ৱার্কসোপতা ৱা ঙাংলদুনা ডা: চরনজিৎনা হায়-সরকার অমদি মিদিয়াগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহনবা তঙাইফদে। ঙসি পাঙথোক্লিবা ৱার্কসোপ অসিনা সরকার অমদি মিদিয়াগা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা পি.আই.বি রিজনেল ওফিস ইম্ফালগী দাইরেক্তর-ডাঃ ইঙম পামেনা হায়-লৈবাক অসিবু শেমগৎনবগীদমক মীয়ামগী ৱাখলদা লৈরিবা ৱাখল্লোনশিং নৌনা শেমদোকপগী তঙাইফদবা লৈরে। চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা মীপুম খুদিংমক্কী মান্নবা থৌদাংশিং তঙাইফদে। মহাকা হায়-সরকারনা মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংশিংগী তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া পায়খৎলি। অসিগুম্বা থৌশিল থৌরাংশিং অসি মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা হোৎনবদা মেদিয়ানা মরুওইবা থৌদাং লৌননবগী ৱাখল্লোনদা ঙসিগী ৱার্কশোপ অসি পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা অমজগী প্রসিদেন্ট-অশেম ভক্তা অমসুং এদিটরস গিল্ড

মণিপুরগী প্রসিদেন্ট-খোগেন্দ্র খোমদ্রাম শরুক য়াখি। লোয়ননা টেকিকেল সেসন অমদা তোঙান তোঙানবা এক্সপার্টশিংনা হীরম কয়াদা ৱা ঙাংখি।

**ত্রাফিক (এল) ঃ** দ্রগ লান্না শিজিন্নবা অমসুং আইন কায়না লল্লোনবগী মালেমগী নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা হয়েং রাজ্য পুলিসনা শিন্দুনা ইম্ফালগী নোংচুপ থংবা কংলাগী হোজংদগী ইরোইশেন্বা ফাওবা কিলোমিটর ১০ গী লমজেল অমা পাঙথোক্কদৌরি।

অয়ুক পুং তরুক্তগী হৌগদৌরিবা লমজেল অসিগী য়েংলগা ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিংনা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি হায়রি।

**ময়োল (এল) ঃ** মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল) না শিনদুনা 'অনৌবা লাঙ্গোলগী ভোট' হায়বা হীরমদা চথরিবা মাস এৱারনেস কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু ককচিং জিলাগী অকোইবদা লৈবা মফমশিংদা পোষ্টর কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে।

চহি অমা চুপা চথগদবা কেম্পেইন অসিগী মনুং চন্না পাঙথোক্লিবা পোষ্টর কেম্পেইন অসিদা তোঙান তোঙানবা স্লোগান ৯ য়াওরি। স্লোগানশিং অসিগী মনুংদা মীরেপতগী শেল নীবগী চৎনবী থাদোক্লসি, পোলিটিক্সনা খুন্নাইগী হিমাই চুম্মী, অফবা মীহুৎ খনসি হায়বনচিংবা য়াওরি।

**এআর (এল) ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ককচিং জিলাগী পল্লেন গেরিসনদা চথরকপা হোস্পিতালিতিগী স্কিল দিবলপমেন্ট ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম মায় পাকা লোয়শিনখ্রে।

আহ.জি.এ.আর (সাউথ) কী পাউনা হায়-হৌখিবা মার্চ ১৫ দগী চথরকখিবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা নুপী ৩৪ অমসুং নুপা ১৬ পুন্না ত্রেন্নি ৫০ না শরুক য়াখি।

**এৱাৰ্ডঃ** নেসনেল টিচরস এৱাৰ্ড ২০২৬ অমসুং ষ্টেট টিচরস এৱাৰ্ড ২০২৬ কীদমক থা অসিগী ১৫ দগী মথং থাগী ১০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্টশিং থাজিল্লক্কদবনি হায়রি।

রাজ্যগী এদুকেসন (এস) কী দিরেক্তর-এন.জি. ভোগেন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-দরখাষ্টশিং অসি ওন লাইনগী খুৎথাংদা থাজিল্লক্কদবনি। অকুপ্পা মরোল এদুকেসন (এস) দাইরেক্তোরেটতগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৫ শুবা ইপিসোদ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**ব্রিক্সঃ** ব্রিক্স চেয়ারসিপ-২০২৬ কী মখাদা ভারতনা য়ুম্ফু ওইদুনা ঙসি হরিয়ানাগী গুরুগ্রামদা ব্রিক্স ইনর্জি মন্ত্রিশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা কেন্দ্রগী পৱার মন্ত্রি-মনোহর লালনা হায়-মীফম অদুদা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী ইনর্জি মন্ত্রিশিং অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংনা মালেমগী ওইনা ইনর্জিগী লমদা শিংনবা কয়া মায়োকরিবা অসি কোকহন্নবা অমসুং ইনর্জিগী লমদা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী মরক্তা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি। ১১ শুবা ব্রিক্স ইনর্জি মন্ত্রিশিংগী মীফম অদুনা

ইনর্জি সেক্যুরিতি, সসটেনেবিলিতি অমসুং ইনোভেসননচিংবগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা অপুনবা ৱারেপ অমসু লৌখি।

শ্রী মনোহর লালনা হায়-ইনর্জিনা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা, খুন্নাই অমা চাউখৎহনবা অমসুং মীওইবগী হিংবগী থাক ৱাংখৎহনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, থা অসিগী ২৭ তগী ২৯ ফাওবা সেচেলিসতা চৎকনি। মহাকা লৈবাক অদুগী নেসনেল ডেগী গোর্ল্ডন জ্লি থৌরমদসু শরুক য়াগনি।

মহাকা লৈবাক অদুদা কুমজা ২০১৫ দা অমুকসু চৎখ্রে। মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়-নেসনেল ডেগী থৌরম অদুদা ভারত নেভিগী জহাস অনি য়াওনা ইন্দিয়ান দিফেন্স ফোর্সকী কন্টিজেন্ট অমা শরুক য়াগনি। খোঙচৎ অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা সেচেলিসকী রাস্ত্রপতি-ডা: কেত্রিক হরমিনিগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নরক্কনি।

**গোয়লঃ** কেন্দ্রগী কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মন্ত্রি-পিয়ুস গোয়লনা হায়রি-হৌজিক ফাওবদা ভারত অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমগী মরক্তা তৌনরিবা ফ্রি ত্রেদ এগ্রীমেন্ট অসি খ্বাইদগী শিংথানিংঙাই ওইবা অমনি।

লন্দনদা ঙসি পাঙথোকপা ইন্দিয়া গ্লোবেল ফোরম-য়ু.কে-ইন্দিয়া ৱিক্তা ৱা ঙাংবদা শ্রী গোয়লনা হায়-য়ান্ন চে অসিনা নাকল অনিমক্তা কান্নবা কয়া পীরগনি। মথং থাগী ১৫ দগী চৎনবা হৌগদৌরিবা ইন্দিয়া-য়ু.কে. কমপ্রেহেন্সিব হকোনোমিক এন্দ ত্রেদ এগ্রীমেন্ট অসিগীদমক শেম শারিবশিং য়েংশিন্নবা শ্রী গোয়ল নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা য়ু.কেদা চৎখিবনি।

**ফিফা ঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ঙসি অয়ুক পুং ৬ মখায়দা শান্নখিবা মেটচশিংদা সাউথ আফ্রিকানা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ১-০ দা অমসুং মেক্সিকোনা চ্যেক রিপাব্লিকপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ মখায়দা শান্নখিবা মেটচশিংদনা মোরোকোনা হাইতিবু পাঞ্জল ৪-২ দা অমসুং ব্রাজিলনা স্কোটলেন্দবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপা মতমদা শান্নখিবা মেটচশিংদা স্বিটজরলেন্দনা কানাদাবু পাঞ্জল ২-১ দা অমসুং বোসনিয়া এন্দ হর্জগোভিনানা কটারবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

ঙসি নোংয়াই মতুং পুং অমা মখায় তাবা মতমদা কুরাকাউগা আইভোরি কোষ্টকা, ইক্বাদোরগা জরমনিগা শান্নগনি। হয়েং অয়ুক পুং মরি মখায়দা ত্যুনিসিয়াগা নিদরলেন্দসকা, জপানগা স্বিদেনগা শান্নগনি।

হয়েং অয়ুক পুং ৭ মখায়দা টরকিগা য়ু.এস.এ, পেরাগুৱেগা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগনি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** দা প্রিয়া ফাউন্দরস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ৱাই.এম.সি. হরাউরৌনা কাফা-কোন্থা অহল্লুপপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** অহানবা পি.এস.দি.য়ু. ত্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা-পি.এস.দি.য়ু-লমজাউনা হিয়াংলম এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** মরিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা-অক্সদো-খাঙবোকনা পি.সি.এম.দি.সি-থোংজ্ পার্ট টু পেচু লম্পাকপু রন অনিদা থোইখ্রে।

ফাইনেল থা অসিগী ২৯ দা আর.সি.এ-লিলোং অমদি অক্সদো-খাঙবোক শান্নরগনি।

**থাং-তা(এল)ঃ** ৩৫ শুবা ষ্টেট লেবেল থাং-তা চেম্পিয়নসিপ ঙসিদগী য়ুমাম হুইদ্রোমদা লৈবা থাং-তা শঙলেনদা হৌদোকখ্রে।

হুইয়েন লাল্লোং থাং-তা এসোসিয়েসন-মনিপুরনা শিনদুনা নুমিৎ হুমনি চুপা চখুগদবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা থাং-তা শিন দম শঙলেন ৩১ দগী নুপাগী শান্নরোই ১৮৬, নুপী শান্নরোই ১১০ পুন্না শান্নরোই ২৯৬ অমদি ওফিসিএল ৩৩ না শরুক য়ারি।